# অদানিগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা কংগ্রেসনা লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চত্থরগনি, পিএমদা নুমিৎ খুদিংগী ৱাহং কয়া হংলগনি




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
হিন্দনবর্ক-অদানি মুক্লবগী ৱাথোক মরক্তা কংগ্রেসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী পার্লিয়ামেন্টতগী হৌরগা লম্বীশিংদা প্রোটেষ্ট কয়া লোঞ্চ তৌরগনি। পার্টি অসিনা অদানিগী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা নোংমদা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাহং অহুম হংগনি হায়নসু নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা কয়া পীখিবা লৈদুনসু পনামা পেপর্স লিক্কী মতুংদা এক্সন অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে হায়না পার্টি অসিনা হায়খ্রে। কংগ্রেস পার্টিনা লাইফ ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন (এল আই সি) গী ওফিসশিং অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) গী ব্রাঞ্চশিংগী মমাঙদা লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্কবা ৱারেপ লৌখিবনি।

দিল্লিদা দিমোন্সট্রেসন অদু এন এস য়ু আই-য়ুথ কংগ্রেসনা পার্লিয়ামেন্ট পুলিস ষ্টেসনদা লৈরিবা এল আই সি ওফিস অমসুং এস বি আই ওফিসকী মপানদা পাঙথোক্কনি। পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা এস বি আইগী ওফিস অমসুং এল আই সিগী ওফিসশিংগী মপানদা প্রোটেষ্ট তৌগনি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা ষ্টেটশিংগী ওইবা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াগনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা লৈরিবা গান্দীগী মীতমদা প্রোটেষ্ট তৌগনি।

অদানি ইস্যুগী মতাংদা কংগ্রেসপু অতৈ পার্টিশিংনা সপোর্ট তৌরবসু ভারত রাষ্ট্র সমিতি, আম আদমি পার্টি অমসুং ত্রিনামুল কংগ্রেসকুম্না পুন্না মীটিং কয়া পাঙথোকমিন্নবা লৈখ্রবা পার্টিশিং অসিনা কংগ্রেসকী দিমোন্সট্রেসন অদুদা শরুক য়াগদ্রা নত্ত্রগা মোরেল সপোর্ট পীগদ্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক বাহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) অমসুং জনতা দল (সেক্যুলর) ইস্যু অসিগী মতাংদা কংগ্রেসতগী লাপ্না লৈখ্রে।

অদানি গ্রুপনা এস বি আইগুম্বা পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিং অমসুং এল আই সিদা ইনভেষ্ট তৌরিবা অসিনা হন্দক্কী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মিদ্দল ক্লাসকী সেভিংশিংদা চাওনা চৈথেং পীরগনি হায়না ওপোজিসন্না য়েৎলিবনি।

ওপোজিসন এমপিশিংনা হায়রি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা ইস্যু অসি পার্লিয়ামেন্টতা খন্নবা য়াহন্দ্রে। পার্লিয়ামেন্টদা ইস্যু অসিগা মরী লৈননা চরাংনবা থোক্লকপদগী হাউস অনীমক্কী প্রোসিদিংস ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি। ইরাই নুমিত্তা কংগ্রেস অমসুং ওপোজিসন পার্টি ১৬ না অদানি গ্রুপকী মায়োক্তা মরাল কয়া শীরিবা হিন্দনবর্ককী রিপোর্টকী মতাংদা থীজিন্নবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি (জে পি সি) অমা শেম্নবা নত্ত্রগা রিপোর্ট অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা মোনিটর তৌদুনা প্রোব তৌহন্নবা তকশিনখিবনি।

কংগ্রেসকী কম্যুনিকেসন্স ইন চার্জ জয়রাম রামেসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খি, মদুদি অদানি গ্রুপকী মায়োক্তা শাথিরবা মরাল কয়া শীবা লৈরবসু মোদি গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিনা ৱাথোক অসিদা গভর্ণমেন্ট অসি চেন্নরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরে। ঙসিদগী হৌরগা কংগ্রেস পার্টিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ইস্যু অসিগা মরী লৈননা নোংমদা ৱাহং অহুম হংগনি।

পিএমদা ৱাহং অমা হংলদুনা রামেসনা হায়খি, কুমজা ২০১৬ গী এপ্রিল ৪ গী পনামা পেপর্স এক্সপোজকী পাউখুম ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা লাউথোকখিবদা নশামক্না মপানগী টেক্স হেবনশিংদগী লাকপা শেনফমশিং অমদি মখোয়দা চৎপা শেনফমশিং মোনিটর তৌনবা মল্টি-এজেন্সি ইনভেষ্টিগেটিং গ্রুপ অমা শেম্নবা দিরেক্সন পীখিবনি। মদুগী মতুং তাবদা কুমজা ২০১৬ গী সেপ্টেম্বর ৫ দা চাইনাগী হংজৈদা পাঙথোকখিবা জি ২০ সম্মিটতা নহাক্না ইকোনোমিক ওফেন্দরশিংগী সেফ হেবনশিং মুথৎপা অমদি মনি লোন্দররশিংবু খোঙ্গুল লীদুনা কন্দসন অমত্তা থমদনা লৈবাক অসিদা থারকহন্দুনা ৱায়েল মায়োক্নহনবা মথৌ তাই হায়নসু পনখিবনি।

# ‘হোস্পিটালশিংদা ইন্ট্রানেজল কোভিদ ভেক্সিন দোজ লাক্ষ অহুম থাখ্রে’



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
ভারত বাইওটেক্না নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা কম্পেনি অসিগী নাতোনদা কাপশিল্লগা শীজিন্নগদবা (ইন্ট্রানেজল) কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ লাক্ষ ৩ হোস্পিটাল খরদা থাখ্রে হায়না কম্পেনি অসিগী একজিক্যুটিব চিয়ারমেন কৃষ্ণ ইলানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ইভেন্ট অমগী নাকোয়ননা ৱা ঙাঙবদা ইলানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইভেন্ট অদুদা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱিস্কোনশিল (য়ু দব্লিয়ু)-মাদিসন গ্লোবেল হেল্ঠ ইন্সটিট্যুট অমসুং ইলা ফাউন্দেসনগী মরক্তা বাই লেটরেল এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি।

এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনখিবগা লোয়ননা বেঙ্গলুরুদা অহানবা য়ু দব্লিয়ু মাদিসন ৱান হেল্ঠ সেন্টর লিংলগনি। মালেমগী ইহান হানবা ইন্ট্রানেজল কোভিদ ভেক্সিন ইনকোভাক্সি অসি হৌখিবা জনুৱারী ২৬ তা লোঞ্চ তৌখিবনি।

ভেক্সিন অসি হৌজিক কোৱিনগী খুথাংদা ফঙহল্লে। মসিগী মমলনা প্রাইভেট মার্কেটশিংগী ওইনা লুপা ৮০০ নি অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী ওইনা লুপা ৩২৫ নি। কম্পেনিনা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা লৈবাক অসিগী হোস্পিটাল খরদা মালেমগী ইহান হানবা ইন্ট্রানেজল কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ লাক্ষ অহুম থাখ্রবনি হায়না ইলানা ফোঙদোকখি।

ভারত বাইওটেক্না ভেক্সিন অদু এক্সপোর্ট তৌনবা থৌরাং তৌবা লৈব্রা হায়না হংবদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক খরা অমসুং ইন্টরনেসনেল এজেন্সি খরনা কম্পেনি অসিদা ইন্ট্রানেজল ভেক্সিনগা মরী লৈননা হংলকপা কয়া লৈরে।

ইনকোভেক্সি অসি প্রাইমারি দোজ অনীগী সেদ্যুলগা মরী লৈননা এপ্রুফ তৌখিবা মালেমগী অহানবা ইন্ট্রানেজল কোভিদ ভেক্সিনসু ওইরিবনি। মসি মপুং মরৈ ফারবা মীওইশিংনা হেটেরো লোগস বুষ্টর দোজ ওইনা শীজিন্নবা য়াগনি। বেঙ্গলুরুদা হাংগদৌরিবা য়ু দব্লিয়ু-মাদিসন ৱান হেল্ঠ সেন্টর অসি কুমজা ২০২৩ লোইবা ফাওবগী মনুংদা ওপরেস্নেল ওইগনি হায়নসু ইলানা ফোঙদোকখি।

কম্পেনি অসিনা ইন্দিয়াদা অনৌবা ভেক্সিন কয়া দিভলপ তৌদুনা পুথোক্কনি। মসিদা নত্তনা বেঙ্গলুরুদা হাংগদৌরিবা সেন্টর অসিনা পার্টনরশিপ মপুং ফাহনবগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী দিসিপ্লিনশিং অমসুং জিওগ্রাফিক বাউন্দরিশিংদা কোল্লাবোরেসন হেন্না খুমাঙ চাওশিলহল্লগনি।

# এল জিনা সার্ভিস দিপার্টমেন্ট পায়শিল্লমদ্রবদি স্কুল খুদিংমক্কী প্রিন্সিপাল লৈরমগনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
দিল্লি গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালশিং এপোইন্ট তৌবগী মতাংদা অয়াবা পীদনা লৈহনবগীদমক্তা দিল্লিগী দিপ্যুটি সিএম মনিস সিসোদিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা লেফটনেন্ট গভর্ণর ভিকে সক্সেনাবু চৈ থাংখ্রে।

প্রেস ব্রিফিং অমদা সিসোদিয়ানা হায়খি, মদুদি কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোনগী ৱাংমদা এল জিনা সার্ভিসেস দিপার্টমেন্ট পায়শিল্লমদবা তারবদি দিল্লিগী স্কুল খুদিংমক্তা পার্মেনেন্ট প্রিন্সিপাল অমমম লৈরল্লগদবনি।

প্রিন্সিপাল ৩৭০ এপোইন্ট তৌনবগী ফাইল এল জিদা থাখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না ফম ২৪৪ গা মরী লৈননা প্রিন্সিপালশিং এপোইন্ট তৌবগী থৌরাংশিং লেপহন্দুনা থমখি। এল জিনা গভর্ণমেন্টবু প্রিন্সিপালশিং স্কুলশিংদা থাঙৈশেংনা মথৌ তাব্রা নত্ত্রগা তাদব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা ষ্টদি অমা কন্দক্ট তৌহনবা পাম্মী হায়নসু সিসোদিয়ানা মখা তানা ক্লেম তৌখি।

সিসোদিয়ানা হায়খি, মদুদি এল জিগী থৌওং অসি মথৌ তাবশিং খঙবা ঙমদবগী থৌওংনি হায়বা য়াই। স্কুল খুদিংমক্তা প্রিন্সিপাল অমমম লৈফম থোকপনি। মসিদা অমুক থিজিনগদবা করি লৈবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। স্কুলশিংদা প্রিন্সিপালশিং লৈহনবা মথৌ তাই হায়বসিগী মতাংদা ষ্টদি তৌবগী মহুত্তা দিল্লিনা এল জি মথৌ তাব্রা নত্ত্রগা তাদব্রা হায়বসিগী মতাংদা ওইনা ষ্টদি তৌবনা চুমগনি।

করিগুম্বা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা সার্ভিসেস দিপার্টমেন্ট কন্ট্রোল তৌরম্বা ওইরবদি রিক্রুট তৌরম্বা থা অমদা লোইশিল্লম্বা য়াবনি হায়না সিসোদিয়ানা মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি সর্ভিস দিপার্টমেন্ট কন্ট্রোল তৌরিবা এল জিনা গভর্ণমেন্টবু অৱাবা পীবা পাম্মী। মসিনা মরম ওইরদুনা মহাক্না প্রিন্সিপালশিং এপোইন্ট তৌবা য়াহন্দ্রিবনি। কন্সটিট্যুস্নেল পোষ্ট অমা পায়রিবা মীওই অমনা স্কুলশিং চল্লাইবদা প্রিন্সিপাল অমা মথৌ তাগদ্রা নত্ত্রগা তারোইদ্রা হায়বগী মতাংদা ষ্টদি অমা পাঙথোক্কদবনি হায়রকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মমাঙদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ফাজিন্দুনা থমখিবা ফম ১২৬ কী ওইবা প্রিন্সিপালশিং এপোইন্ট তৌনবা মহাক্না এপ্রুবেল পীখি হায়না থাংজ নুমিৎকী প্রেস রিলিফ অমদা এল জিনা ক্লেম তৌখিবনি।

# ওপরেসন আগকী মখাদা ক্রিমিনেল ২০৬৯ ফারে

থিরুবনন্তপুরম, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
কেরলা শীন থুংনা চত্থখিবা মরু ওইবা ওপরেসন অমদা কেরলা পুলিসনা ওপরেসন আগকী মখাদা এন্টি-সোসল ইলিমেন্ট ২,০৬৯ ফাগৎখ্রে। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা হৌখিবা রেইদশিং পাউ অসি ফাইল তৌবা ফাওবদা লেপ্তুনা চত্থখি।

রেইদ অদু মরু ওইনা কেরলা এন্টি সোসল এক্তিভিটিস (প্রিভেন্সন) এক্ট (কে এ এ পি এ) গী মখাদা চার্জ তৌবা য়াবা মীওইশিং ফাননবা চত্থখিবনি। মীওই খরদি চেনখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই খরনা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং সর্ভ তৌরবা ফাওবদা লাকখিদে।

নন-বেলেবল চার্জশিংগী মখাদা ফারবা মীওইশিং জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌগনি অমসুং অতৈনা পুং ২৪ হেন্না প্রিভেন্টিব কষ্টদিদা থমগনি। মখোয় ৱাহং পাউহং লোইরবা মতুংদা থাদোক্কনি।

ষ্টেট পুলিসনা মমাঙদা ওপরেসন কবাল কন্দক্ট তৌদুনা এন্টি-সোসল ইলিমেন্টশিং ফা পুনবা তৌখ্রবনি। মতুং তাবদা পুলিসনা ওপরেসন অসি লেপখি। পুলিসকী মতুং ইন্না ক্রিমিনেল অয়াম্বা থিরুবনন্তপুরমদা ফাখিবনি। ষ্টেট কেপিটেল দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ফাবা মী মশিং পুন্না ২৯৭ শুরে। পুন্না ক্রিমিনেল ১১৩ থিরুবনন্তপুরম সিটিদগী ফাখি অমসুং ১৮৪ না থিরুবনন্তপুরম রুরেলদগী ফাখি।

কোলামদগী ক্রিমিনেল ২৬১ ফাখি অমসুং কানুরদগী ক্রিমিনেল ২৫৭ অমদি কোজিকো দিষ্ট্রিক্টতগী ২৫৬ ফাখি। ক্রিমিনেলশিং ফাবগী ওপরেসন অদু লেপ্তুনা চত্থরি।

ওপরেসন আগ লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু লেপ্তুনা চত্থগনি হায়না ষ্টেট পুলিস হেদ ক্বার্টর্সকী সেনিয়র পুলিস ওফিসরশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। রুল্লিং সি পি আই (এম) য়াওনা কেরলা পুলিসপু ফ্রন্ট কয়াদগী দ্রগ লল্লোনবা অমসুং নুপীশিংগী মায়োক্তা চত্থবা ভাইওলেন্স য়াওনা ক্রাইম মশিং হেনগৎলকপদগী মতাংদা চৈ থাংনরিবনি।

মমাঙদা ক্রাইমগী রেকোর্দ কয়া লৈদুনা মীয়াম্না খঙনরবা থিরুবনন্তপুরমগী ক্রিমিনেল অনী ওম প্রকাস অমসুং পুথেন পালম রাজেস মীওই অমদা খুৎ থারল্লবা মতুং থাং উৎলল্লগা চেনখিবদগী পুলিসপু মীয়াম্না থবক্তা চেকশিন্দে হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা ক্রিমিনেলশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন আগকী মখাদা মখোয়বু ফাবা পুনবগী দ্রাইভ অসি চত্থরকখিবনি।

# হাৎকনি হায়না কিহল্লক্লে হায়না ৱাই এস আর সি পিগী রেবেল এম এল এ শ্রীদার রেদ্দিনা ৱাকৎখ্রে



অমরাবতি, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
অন্ধ্র প্রদেশকী রুল্লিং ৱাই এস আর কংগ্রেস পার্টি (ৱাই এস আর সি পি) গী মায়োক্তা পার্টিবু য়ানিংদবগী থৌওং কয়া চত্থদুনা লাকপা নেরোল রুরেলগী এম এল এ কিটস কোটম রেদ্দি শ্রীদার রেদ্দিনা মহাকপু ফোন তৌদুনা কিহল্লকপা কয়া লৈরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী সেক্যুরিটি ককথবদগী ফোন তৌদুনা কিহল্লকপগী থৌওংশিং অসি চত্থরক্লিবনি হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখ্রে। হন্দক্তা মহাক্কী ফোনশিং টেপ্পিং তৌই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱাথোক অমা লাকহনখিবা এম এল এ অসিনা হায়খি, মহাক্কী সেক্যুরিটি হন্থহল্লিবদু মকোক্তগী পীরকখিবা ওর্দরশিংগী মতুং ইন্ননি।

রেদ্দিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা মঙোন্দা গনমেন (সেক্যুরিটি গার্দ মরি পীখি)। তৌইগুম্বসুং থাংজ নুমিত্তা ইনৌনৌনা ওর্দর ইস্যু তৌদুনা গার্দ মরিদুগী মনুংদগী অনী অমুক লৌথোকখি। গনমেনশিং অদু মহাকপু মেন্টেল হরাসমেন্ট পীনবগীদমক লৌথোকখিবনি। ফোন টেপ্পিংগী ৱাফম পনবা হৌখিবদগী মঙোন্দা ফোন তৌদুনা কিহল্লকপা লেপত্রি হায়না রেদ্দিনা ফোঙদোকখি।

এমএলএ অসিনা হায়খি, মদুদি ফোন তৌদুনা তোইনা কিহল্লকপা লৈরবা ফিভম অসিদা ঐহাক অহেনবা সেক্যুরিটি য়াম্না মথৌ তাই। তৌইগুম্বসুং লাইবক থীবদি লৈজরিবা সেক্যুরিটি ফাওবা লৌথোকপা অসিনি। মসি মথক্লোমদগী ওর্দর পীরক্ত্রবদি থোক্লক্লোই।

গভর্ণমেন্টনা গনমেন অনী লৌথোকখ্রবা মতুংসিদা ঐহাক্না গিফ ওইনা লৈহৌরিবা গার্দ অনী অসি সরেন্দর তৌরগনি। ঐহাক কনামত্তবু কিবা লৈতে। গার্দ অমত্তা য়াওদনা চৎকদবা মফম খুদিংমক ইথন্তা চৎকনি হায়না রেদ্দিনা মখা তাখি।

কিহল্লকপশিংবু করিসু থৌশাদবগা লোয়ননা মহাক্কী মায়োক্তা শেমজিন শাজিনবা কেস কয়া বুক তৌবগীসু অকিবা লৈতে হায়নসু এম এল এ অসিনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, থাংজ নুমিত্তা পুলিসনা শ্রীদার রেদ্দি অমসুং অতৈ মীওই অনী রুল্লিং ৱাই এস আর সি পিগী কোর্পোরেটর অমা কিদনেপ তৌবা অমসুং মহাকপু পার্টিদগী নমদুনা রিজাইন তৌহন্নবা হোৎনখিবগী মরালদা বুক তৌখিবনি।

নেরো সিটিগী কোর্পোরেটর অমা ওইরিবা এম বিজ্যবাস্কর রেদ্দিগী য়ুমদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিনবগা লোয়ননা মহাকপু কিদনেপ তৌবগী মরালদা মখোয়গী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। রুল্লিং পার্টিগী কোর্পোরেটর অসিনা মহাক্কী কমপ্লেন্টদা ওটম রেদ্দিনা মঙোন্দা ৱাই এস আর সি পি থাদোক্লগা মহাক্কী মতুং ইল্লক্নবা তকশিল্লকখি হায়না পনখি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না প্রেসর অদুদা য়াদবদগী এম এল এ অদুগী খোঙলোইশিংগী মনুংদা অমনা দ্রাইভর অঙ্কিয়াগা পুল্লগা মহাকপু কিহনখি অমদি ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ অমসুং ৩গী মরক্তা পদারুপাল্লি এরিয়াদগী কিদনেপ তৌখি। লোয়ননা কিদনেপ তৌরবা মতুংদা মহাকপু এমএলএ অদুদা উৎখি।

# সেন্টরনা চাইনিজ এপ ২০০ হেন্না বেন তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
চাইনিজ লোন অমসুং বেটিং এপশিংগী মায়োক্তা তোইনা কমপ্লেন্টশিং তৌরকপদগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্স (এম ঐচ এ) গী ইন্সট্রক্সন মতুং ইন্না চাইনাগা মরী লৈনবা বেটিং এপ ১৩৮ অমসুং লেন্দিং এপ ৯৪ বেন তৌবগী প্রোসেস হৌখ্রে।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজিদা হন্দক্তা এম ঐচ এনা থার্দ পার্টি লিঙ্ক অমগী খুথাংদা ওপরেট তৌবা অসিগুম্বা এপশিং বেন তৌননবা ইন্সট্রক্সন পীখি।

ছোর্সশিংনা হায়রি, মদুদি এপশিং অসি আই টি এপকী সেক্সন ৯৯ ভাইওলেট তৌরম্বা থেংনখি। লোয়ননা এপশিং অসিদা ইন্দিয়াগী সোভরেন্টিদা অকিবা পী হায়না লৌবা য়াবা মেটরেলসু য়াওরম্বা থেংনখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না এপশিং অসি শেল থুমগী খুদোংচাদবা লৈবদগী শেল পামদুনা লৈরবা মীওইশিংবু শেন্দোলগী লাংদা থুহনবদা শীজিন্নরম্বনি। এপশিং অসিনা লোনশিংগী ইন্টরেষ্ট রেট চাদা ৩০০০ ফাওবা হেনগৎহনবা থেংনখি। শেন্দোলগী লাংদা থুরবা অসিগুম্বা মীওই কয়া সুইসাইদ তৌখি। অন্দ্র প্রদেশ অমসুং টেলঙ্গনাদা এপশিং অসিগী বোরোৱরশিংনা সুইসাইদ তৌখিবগী কেস কয়া রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা ইস্যু অসি লূনা খন্নরকখিবনি।

অমরোমদা, চাইনিজ এপশিং অসি সর্বর-সাইট সেক্যুরিটি লান্না শীজিন্নদুনা মখোয়বু অরোন অথুপকী পাউ লৌনবগী টুলশিং ওইনা শীজিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ হায়রি।

এপশিং অসিনা ইন্দিয়ন কয়াগী মরু ওইবা দেটা ইরায় লাইনা খঙদোকপনা মখোয় লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা অচৌবা ইস্যু অমা ওইরক্লিবনি হায়রি।

# দাৱুদ ইব্রাহিম ইন্দিয়াদা শিন্নরক্লবা কুমজা ২০০১ দা এল কে অদবানিনা পর্বেস মুসারফতা হায়খি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা মিচেল দোন অমসুং গ্লোবেল টেররিষ্ট দাৱুদ ইব্রাহিম্বু লৈবাক অসিদা জষ্টিস মায়োক্নহন্নবা কন্না হোৎনরকপদা হৌজিক ফাওবা মায় পাক্লিবা ওইরবসু কুমজা ২০১১ দা মতমদুগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর এল কে অদবানিনা টেররিষ্ট অদুবু ইন্দিয়াদা শিন্নরক্লবা লৈবাক অসিদা খোঙচৎ অমা লাকখিবা পাকিস্তানগী প্রেসিদেন্ট পর্বেস মুসারফতা তকশিনখি।

কুমজা ২০১১ গী ব্লোক পোষ্ট অমদা মতমদুগী থৌদোক অদু নীংশিংলদুনা অদবানিনা ইখি, মদুদি মহাক্কী মফম অদুদা মুসারফকী মমায় অদু খঙহৌদনা ঙাঙখি অমসুং তাথিবগী মতৌ উৎপা হৌরকখি। মহাক্না ঐহাক্কী ৱাফম অদু তাবদা মশাদা নুংঙাইতবা পোক্লিবদু লোৎপা ঙমখিদবগা লোয়ননা মহাক্না হায়দোরকখিবা ৱাফম অমনা ঐঙোন্দা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা পোকখি।

মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপায়িনা আগ্রাদা সম্মিট অমা পাঙথোক্লবগীদমক্তা ইন্দিয়াদা লাকখিবা মুসারফপু অদবানিনা উন্নখিবনি।

হান্নগী হোম মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি অল কাইদাগী চীফ ওস্মা বিন লাদেনগী গেরিসন টাউন অবোটাবটতা লৈরিবা লোৎফম অদু মুসারফনা পাকিস্তানগী মতমদুগী ফিভম মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌরিঙৈদা শাখিবনি হায়বসি খঙহনখি। হান্নগী হোম মিনিষ্টর অসিনা খঙহৌদনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবদা ঙক্লবা মুসারফনা দাৱুদ মহাক্কী লৈবাক্তা লৈ হায়বসি খুদক্তা য়াখিদে। পাকিস্তানি ওফিসল অমনসু মদুগী মতুংদা অদবানিগী ক্লেম অদু মীনম্বনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখি।

দাৱুদ ইব্রাহিম পাকিস্তানদা লৈতে হায়বসি ঐহাক্না তাঙ্গা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা হায়রি হায়না মুসারফনা ফোঙদোরকখি হায়না বিজেপিগী ভেটরান অসিনা মহাক্কী ব্লোক্তা ইখি।

# বিজেপিগী এমএলএ অমসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী রুল্লিং ট্রিনামুলদা য়াওখ্রে

কোলকত্তা, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
বেঙ্গলদা বিজেপিগী অতোপ্পা এমএলএ অমসু পার্টি অসি থাদোক্তুনা ষ্টেট অসিগী রুল্লিং ট্রিনামুল কংগ্রেসতা য়াওশিনখ্রে।



ঙাইহৌদুনা ট্রিনামুল কংগ্রেসনা চাওনা মায় পাকখিবা কুমজা ২০২১ গী মীখলদা পার্টি অসিনা ফঙখিবা সিট

সুমান কাঞ্জিলাল কৌবা এমএলএ অদু কুমজা ২০২১ গী এসেমব্লি ইলেক্সন মতুংদা অসুম্না রুল্লিং পার্টি ট্রিনামুলদা য়াওশিনখিবা তরুকশুবা বিজেপিগী এমএলএনি। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা বেঙ্গলদা হৌজিক বিজেপিগী এমএলএ ৬৯ দা মশিং ৭৭ তগী হন্থরকখি। নোর্থ বেঙ্গলবু অলিপুথ্বারদগী কারকপা এম এল এ কুঞ্জিলাল কোলকত্তাদা পার্টিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি অবিসেক বেনর্জিগা উন্নরবা মতুং ঙসি ট্রিনামুলদা য়াওখিবনি।

নোর্থ বেঙ্গল অসি বিজেপিনা চঙশিন্দুনা রুল্লিং পার্টিদা চেলেঞ্জ তৌরিবা ষ্টেট অসিগী মফম খরগী মনুংদা অমনি। ট্রিনামুল কংগ্রেসনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি বিজেপিগী এন্টি-পিপল পোলিসিশিং অমসুং হঙ্গোই তুক্কৎচবগী এজেন্দা রিজেক্ট তৌদুনা সুমান কাঞ্জিলালনা পার্টি অসি থাদোক্তুনা ঙসিদি এ আই টি সি ফেমিলিদা জোইন্ট তৌরে।

মহাক্না পার্টি অসিদা জোইন্ট তৌবগী থৌরম অদুদা পার্টিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরিসু শরুক য়াখি। বেজিপিনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা পামদে হায়বা অচুম্বা অসি বেঙ্গলগী বিজেপিগী এমএলএ মরিনা খঙলে হায়খি।

# মোব লিঞ্চিংগা মরী লৈননা পুলিস পর্সনেল ৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে




পোরবন্দর, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী):
মোব লিঞ্চিংগা মরী লৈননা পোরবন্দর দিষ্ট্রিক্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রবি মোহন সাইনিনা উদয়োগ নগর ষ্টেসনগী পুলিস সব ইন্সপেক্তর অমসুং অতৈ পর্সনেল মরি মথৌ পাঙথোকপা ঙমখিদবগী মরালদা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

দিপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস নিলম গোসমিনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি লৈখিদ্রবা শ্যাম উবা ঙন্বগী পাঙ্গল চাদা ৯০ মাঙখি। মহাক বাসরদা দাদা টেম্পলগী ট্রষ্টিশিংনা টেম্পল অদুদগী শেল হুরানখি হায়না মরাল শীজিন্দুনা তমথীবা মওংদা ফুখিবনি। ফুবদগী ফিভম থীনা শোক্লবা ভিক্তিম অদুবু হোস্পিটালদা পুবগী মহুত্তা উদয়োগ নগর পুলিস ষ্টেসনগী টিম্না মহাকপু পুং ২ পুলিস ষ্টেসন অদুদা থমখি।

ভিক্তিম অদুগী অপোকপা কিশোরনা মহাক্কী কমপ্লেন্টদা করিগুম্বা পুলিসনা মহাকপু হোস্পিটালদা থুনা পুবীরম্বা থোক্লবদি ইন্টর্নেল ইঞ্জুরিশিং অমসুং ট্রিটমেন্ট থিন্থবনা মরম ওইদুনা শিরিবদু থোক্লল্লোইদবনি। ভিক্তিম অদুগী ইমুংনা মরাল শীবগী মতুং ইন্না সেনিয়র পুলিস ওফিসরশিংনা প্রিলিমিনরি ইনক্বারি অমা কন্দক্ট তৌখি। মখোয়না ইল্লিগেসনশিং অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিং অদু চুম্মী হায়বা খঙলকখিবগা লোয়ননা পুলিস পর্সনেল মঙা সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়না পুলিস ওফিসর অসিনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

কিশোর বাইনা শগোলশেল নুমিত্তা ফাইল তৌখিবা মহাক্কী কমপ্লেন্টদা হায়খি, চহী ২৬ শুরবা মহাক্কী মচানুপা শ্যাম ষ্ট্রিট ভেন্দরনি অমসুং মহাক্না সাইকল তোংদুনা কোইচৎ চৎলগা এসিদ অমসুং ফিনাইল য়োল্লি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মহাক বোখিরা এরিয়াদা চৎখি। মফম অদুদা বাসরদা দাদা টেম্পলগী ট্রষ্টিশিং ইকবাল কটসা, লখা, বোগেসরা, রাজু বোখিরিয়া অমসুং অতৈনা মহাকপু খামখি অমদি ফুবা হৌখি। তুংদা মহাক মখোয়না পুলিসনা শিন্নখি। নুমিৎতুমক্কী নুমিদাংদা মহাক পুলিস কষ্টদিদা শিখি।